# “অচুম্ববু নাথৈবা হায়বসি মবুক শেংদবনি-!”

**– এল ইবোমচা –**



ফূরুপ কয়ামুক্না পূন্না খন্দাদুনা লৈরিবা মণিপুর তম্পাক্কী লমদা লমহেনবা কুকিশিংনা চীংথক্তগী অকনবা মওংদা নোংমৈ, বোম, তোপনা অতম্লনা মীতৈ ফূরুপ্তা লান্দাদুনা লৈখিবদগী মীতৈশিং খম থেংনা অৱাবা হায়বদু ওইখি। খম থেংনা নুংদা ৱারবসু মপান থোক্লা ঐখোয় ৱারে হায়বা ৱাহৈসি মীতৈ অমত্তগী মচিন্দগী হায়রকপা তৌদে। লুহোংবা অমা পাঙথোকপদা চাউবা তান্নরি, শেল থাবা তান্নরি, গাড়ী মশীং য়াম্বা, বেন্দ খোঙবা মশীং য়াম্বা, অউনপোৎ য়াম্বা অমসুং ফিজং খনবা ফজবা তান্নরি। ঙক্লিবদি লুহোংফম মফম য়ৌগদবা য়াম্না ৱাৎলিঙৈদগী লম্বী পরিংদা রেদ কার্পেট থারিবা অসিনি। মঙানি চাক্কৌবা, যূম শঙ্গাবা, চাকউম্বা, না হুৎপা, বর্থদেদা ঙাগী মখেল, য়ুঙাং-য়ুঙৌ চাউনা চাউনা পাঙথোক্লুরি। মসিদবু মীতৈশিং অসিবু কনানা ৱায় হায়রক্কনি।

তৌবদি মীতৈশিংনা কুকিগী লান অসি ‘থুৎ লাউবা লান’ নি হায়না অয়াম্বনা খন্নে। মরমদি মসিগুম্বা লান অসিদগী য়াম্না হেন্না চাউরবা লান কয়া থেংনদুনা লাকখ্রবা মীতৈশিংনি। মীতৈশিংনা লান কিদবসি করিগা প্রমান তৌগনি। বাংলাদেশ নীংতম্বগী কুমজা ১৯৭১দা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তান শোক্লখিবা লান্দা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী অকনবা য়াথং হায়বদি ইংলিসকী ময়েক এম-সেপ, ভি-সেপ, এন-সেপ, এল-সেপ্তা ইমুং খুদিংমক্লা কোম অমমম তৌগদবনি। মরমদি করিগুম্বা পাকিস্তাননা বোম থাদরক্লবদি বোমগী অহৌবা মখোল তাদনবা অমদি বোমনা পান্দুনা অশি-অনা, অশোক-অপন থোক্তনবা কোম মনুংদা লোৎনবনি হায়বসিনি। মদুদা মীতৈ ইমুং অমত্তনা কোমদু তৌখিবা লৈতে।

মসিনা তাক্লিবদি মীতৈশিং লান কিবীদে, লানসি শান্নবগুম খল্লি হায়বনি। হায়সু হায়বনি অমগী ওইরো, অমগী ওইরো মীতৈশিং মমাঙঙৈদগী হৌনা লান শোক্লদুনতা লাকই। মরম অদুনা মমাঙঙৈদগী হৌনা য়ূমথোঙ খুদিংনা লানগীদমক চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা কনাগুম্বা য়ূল্লোন্নবা লৈবাক অমনা খঙহৌদনা লান কোক তাশিল্লক্লবদি হায়দুনা মতিক চারবা লানগী খূৎশু-খূৎলায় তাপ পায়রগা লান চৎখিবা য়ানবা লুখুমদা ঙারগা নৎত্রগা ফক্লাংদা থেৎলগা থম্নরম্মী। চানবা হায়রো, চেঙপাক খুজোক অমা/অনীদি খুদৈ মচিদা নীংথিনা য়োল্লগা মখূৎনা লাম্বা ফংগদবা অৱাং থংবগী য়ূমগী শাইজিন্দা থেৎলগা থম্নরম্মী। মসিবু ‘লান চাকয়োম’ হায়না খঙনৈ।

কুকিশিংনা অকনবা লান চত্থরক্লবসু মীতৈ লৈবাক্লিনা লৈঙাক্নসু মীয়ামদা নখোয় ৱারব্রা হংলদে, মীয়াম্নসু ঐখোয় য়াম্না ৱারে হায়না লৈঙাক্তা হায়দে, মনা মনিল নায়দে। নোকখি-নোকখি তৌনা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন তানববু মীতৈশিংদা লান্দারগা ফংগদ্রা? কুকিশিংগী ৱাখল অসি করম্বা ৱাখলনো হায়নদুম ঙাঙনৈ। সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন ওইরো, কুকি হোমলেন্দ ওইরো, য়ুনিয়ন টেরিটরি ওইরো মদুগী অয়া-য়াদবা পীগদবা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা তাইনগদবনি। পাল্লিবা দিমান্দ অদু ফংনবা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা লান্দাগদবনি মদু তৌদে হায়বসিদা ইকোম কোম্না লৈনৈ।

মণিপুর লৈঙাক্লা তুংগী য়েংলগা পোপি পাম্বী য়াম্থৎলুবা, ফোরেষ্ট লমদা শাবা য়ূমশিং তকথোক্লুবা, মপান্দগী মীওই কয়া পুশিল্লক্লগা অনৌবা খুল কয়া কয়া শেমগৎপা থিংলুবা, মসিবু মীতৈনা মণিপুর লৈঙাক্তা ইনশিল্লগা তৌহল্লুবা থবক্লা? মণিপুর লৈঙাক অসি মীতৈগী মখাদা লৈব্রা? মীতৈদি লাইরিক-লাইশু, শান্ন-খোৎনবা, জগোয়-ঈশৈদা অমদি চাওখৎ থৌরাংদা পূক্লিং ৱাখল থাদদুনা লৈনৈ। অদুগুম্বা অদুদা পূক্লিং ৱাখল থাদবা কনাসু শংনদে। সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন তানববু মীতৈগী য়ূম মৈ থারগা, মীতৈশিং হাৎলগা, মীতৈলোলগী লাইরিক মৈ থারগা, মীতৈলোল বোইকোট তৌরগা, মীতৈ নুপীগী ফনেক ফিরোলশিং মৈ থারগা দিমান্দ তানবা হৌনব্রা? ৱাহং অসিগী পাউখুম সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন তাল্লিবা কুকিশিংনা মরীক চুম্না পীফম থোকই।

মালেম অসিগী মনুংদা ইন্দিয়া দেমোক্রেসি চৎপা খ্বাইদগী চাউবা লৈবাক অমনি। অদুবু বি জে পিগী দবল ইঞ্জিন লৈঙাক অসিনা তৌথোরকপা থবক্তি দিক্টেটর মানবগী মওংদা চথে। মণিপুর ইন্দিয়াগী অপীকপা ষ্টেট অমনি। মরম অসিনা মণিপুরগী য়েলহৌমীশিং অসি ইন্দিয়াগী সিটিজন ঙাক্তনি। ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইরিবা মীতৈশিংদা মান্নারদগী আইন য়াম্না কায়না হুরান লোন্নাদা মণিপুরদা চঙশিল্লকখিবা ফেরেন্নর কুকি মিলিটেন্টশিংনা মরাল লৈজ দবা মীচম মীতৈশিংদা লান্দাশিল্লগা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন তানবসিবু ইন্দিয়াগী আইনগী থোঙদা য়াব্রা? সংবিধানগী থোঙদা তানফম থোক্তব্রা? হিংসা শীজিন্নরগা অপাম্বা দিমান্দ কয়া তানবা সংবিধাননা য়াফম থোক্তে। ৱাফমসি ইন্দিয়াগী মীচম অমনা ফাওবা খঙলগা মালেম পূম্নমক্লা শীংথারিবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মরম শুকচা চাদবা কুকিশিংগী লান অসিবু য়েংদুনা লৈশিনবা হায়বসি ইন্দিয়ান দেমোক্রেসিবু থৌশাদবা অমদি খোঙ্গৌইনবনি হায়দবা ঙল্লোই।

ইন্দিয়াগী সংবিধান ইকায়খুম্ননা ঙাক্লা চৎকনি হায়দুনা এসেমব্লি মনুংদা ৱাশক লৌখিবা কুকিগী মিনিষ্টর য়াওনা এম এল এনা মণিপুরবু মচেৎ তানা থুগাইরগা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন পীনবা ফোঙনা চোংথোরক্তুনা দিমান্দ তৌবা য়াব্রা? মখোয় তরানা ‘সূ’ তৌনরিবা কুকি মিলিটেন্টশিংগী কম্মান্দর ওইরগা মীচম মীতৈশিংদা লান্দাহন্দুনা হাৎপা-তুপ্পা অমদি অশোক-অপন নংহনবদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা য়াফম থোক্তে। তৌগে হায়রগনা মখোয় তরামক এম এল এ ফম হান্না থাদোকপা তাবনি। মদুগী মতুংদদি মখোয় তরামকসু মখূৎতা মতিক চাবা খূৎলায় অমমম পায়নদুনা মীতৈ হাৎপদা য়াওরোদনা মদুসু তৌদে। মণিপুর এসেমব্লিগী পে-রোলদা মমিং মথা য়াওদুনা মণিপুর লৈঙাক্তগী খুদোংচাবা খুদিংমক লৌদুনা লৈরি। অসিগুম্বা হিংসা তৌরিবা মীওইশিং ইন্দিয়াগী সংবিধান শীংনবগীদমক নহান্না মতিক চাবা চৈরাক ফংহনফম থোক্লবনি। ইন্দিয়াগী সংবিধানবু চাউনা শীংনবগীদমক মপূন্সি চূপ্পা জেলদা নমশিন্দুনা থম্বা হেন্দোক্লা য়ারবনি।

লমহেন তুহেনবা নার্কো কুকিশিংগী মথোঙ হুক্তবা থবকশিংদা দবল ইঞ্জিন লৈঙাক্লা কুম্মৈগুম্না য়েংদুনা লৈরি। “সেন্টর লৈঙাক্তা তানগদবা দিমান্দবু মীতৈশিংদা ওনশিল্লগা তানফম থোকপ্রা?” হায়বা ৱাহৈ খরসিদং লমহেনবা কুকি মকোক অমদা হায়খিবদা ঊচি মখুলদা নহান্না চঙখ্রগদবদা করিমত্তা হায়দনা তূমিন অসুম লৈশিনবসিনা মরম ওইরগা ঙসি ফাওবা চীং অমদি তম্পাক্লা তাইনবা পেরিফেরিগী এরিয়াশিংদা কুকিশিংনা চিফেৎ চিফেৎ তম্পাক্তা নোংমৈ, বোম, টোপ কাপশিন্দুনা লৈখিবনি। দিমান্দ অসি মনীং থুংজনবা মীতৈশিংনা কুকিশিংদা ইকোম কোম্না শৎ পীথোকপা ঙল্লবদি মণিপুর ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইদ্রে অমদি মণিপুরীশিং অসি ইন্দিয়াগী সিটিজন অমা ওইদে তাকই। অমরোমদা, ইন্দিয়া লৈঙাক্লবু মণিপুর অসি ইন্দিয়াগী শরুক অমা নত্তে হায়বীরকপদুনি মীতৈশিংনা ৱানা ঙাইরিবসু। হায়বিরক্তবগী ৱানি, ইরোমদোম লৈঙাকচবা পাম্না লৈনরিবা মীতৈশিংনি। করম্বা নুমিৎ থাদা মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্কী ফিরাল ইম্ফাল ময়োলদা য়ুংলরগা মনীং তম্না পাইবা উবদুনি মীতৈশিংনা খৌরাংনা ঙাইরিবদি।

হৌজিক ফাওবা ইন্দিয়াগী দবল ইঞ্জিন লৈঙাকসিনা মণিপুরবু থুগায়রগা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন তাল্লক্লিবা মিনিষ্টর য়াওনা কুকিগী এম এল এ তরাগী মথক্তা মতিক চাবা থবক অমত্তা লৌখৎলকপা থেংনদ্রি। অরোনবা লাল্লোং অমদা লিংখৎলকখিবা কে এন এফকী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎলকপসু থেংনদ্রি। কে এন এফ লিংখৎপদা য়াম্না মরু ওইবা থৌদাং লৌখিবা কুকিগী টোপ পোলিটিসিয়নশিং অমসুং ব্যুরোকেট ওফিসরশিংগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎখিবা থেংনদ্রি। অদুনদি দবল ইঞ্জিন লৈঙাক অসি পুকচেল শেংদে, দবল ষ্টেন্দর্দ ওই তাকচৈ। মসিমক্তি অরানবদা শৌগৎপা, অচুম্ববুনা নাথৈবনি, “অচুম্ববু নাথৈবা হায়বসি মবুক শেংদবনি-!” অদুমক তাকচরে। ●

# চা কপ অমগী মহাউ-২

**– বি সী খুমন –**

ইরমদমসিদা করম্বা লৈঙাক্লোন চৎনরি? য়াম্না লায়না খুল্লক্কনি ‘দেমোক্রেসি’। দেমোক্রেসি, মীয়াম্না খনবা মীহুৎনা লৈঙাকপনি, মীয়ামগী রাইট খঙনা মীয়াম্বু পেলহনগদবনি। হৌজিক হৌজিক য়ুনাইটেদ কিংদম (য়ু কে), য়ু এস এ, লোয়ননা ইন্দিয়াদা দেমোক্রেসিগী লৈঙাক চলাইরি। ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমা ওইরিবা ‘মণিপুর’ সু দেমোক্রেসিগী চপ চাবা ফিদা ফংফম থোকই। অঙকপনি! লমদমসিগী মীয়াম পূম্নমক ‘দেমোক্রেসি’ গী ৱাহন্থোক করিনো খঙলবরা হংলবদি মানা-মানা থোকপা পঙাঙদা ঙাঙনরক্কনি?

ইন্দিয়া- দেমোক্রেসি চৎপা কন্ত্রি অমা ওইজরবসু কন্ত্রিসিবু লৈঙাক্লিবা মঙক কল্লবা লো মেকরশিংদি ওট্টোক্রেসি/দেস্পোটিজম নৎত্রগা দিক্টেটরশিপকী ৱাখল্লোন লোইনা চেল্লি। মীয়ামগা লোয়ননীংদে, মীয়ামগী খোল্লাও তানীংদে, মানা হায়বদুতং ইনগদবনি হায়বগী ৱাখল্লোন লোয়নৈ। মোদি- প্রাইম মিনিষ্টরনি, দেমোক্রেসি চৎপা চাউখ্রবা লৈপাক অমগী সুপ্রিমনি, অদুবু মমিৎ পাল্লি-চুম্না য়েংবা হৈতে, মনা পাল্লি- তাশিনবা হৈনদে, মচিন পাল্লি - অচুম্বা ঙাঙনীংদে। মীয়াম্না খল্লকপা মীহুৎ অমনা মীয়ামগী ৱা শুংতা তানীংদে হায়রিবসি দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক ইকায়খুম্নদে হায়বনি। মাগী য়াথং মখাদা মখা থাবা পূম্নমক লৈহন্নবা হোৎনরি। লাইপোক্লি খন্নরিবা দেমোক্রেসিগী মপা ডা. অম্বেদকরগী থৱায়দুনা মোদিবু পেল্লমগদ্রা? “ৱাতোন্না ৱাংনিংনা পঙৱাংতা ৱাংলসু ক্বাক্লা ফমদেকই” মোদি - প্রোভর্বসিগী ৱাহন্থোক খঙলিদ্রা? সুপ্নগী চহি মঙাখক্কী মীহুৎনা পূন্সি চূপ্পগী মীহুৎনি হায়বা য়াব্রা। দেমোক্রেসিনিসু হায়, ওট্টোক্রেসিসু মাল্লি, থবক ওইনা পাঙথোরকপদনা প্লুট্টোক্রেসি রোমদা হুমদুনা পুখিনবসু হোৎনবা মাল্লি। পূন্সিসে তাৎ মচা-মচাগী চন্নফমসু লৈবজাৎনি হায়বীরম্বা লাইওইখ্রবা ওজা অমা খঙনীং নীংশিংলকই। শেম্বদসু থোক্লরোইদবা মণিপুরগী ৱাখল খন্নীংদদুনা করি-করিনো পঙখন্দা খল্লুরমান্নে মরুপ মহেস জৈননা খৌদেম্লকপদা ৱাখল শ্বায় মাঙখ্রে।

“ঙসিদি - ঙল্লি-থেঙলে হায়নদবী, চাক চাখ্রসি...”

“নো নো মদুতদি হায়বীনু ৱারীনা ওইনা মারিসি হায়বদি য়াই, ঐদি সাইলেন্ট কিল্লর অমগী মনাই ওইরে...”

“হায়’দি...”

“ঙম্বুদি ঙমদ্রে, অদুবু চীঞ্জাক ককপগী লায়না নাখ্রে”

“(নোক্লগা) চহি মতাংগীনি চীঞ্জাক্লা কন্ট্রোল তৌগদবা অনাবা নত্তে। নহা ওইরিঙৈগী হে তোংলুবশিংদুগী মহয়নি - কোক থাদরিমখৈ প্রোব্লেম মশীং য়াম্বনি।”

খঙহৌদনা ৱাখল অমা ফুং ফাওরকখি। কোরোনা লাইচৎতদি মালেম পূম্বা লীংজেল মান্ননা লাম্হেংমিন্নখি। দাইবেটিক লায়নাগী মতাংদদি অততাই তানরিবসি করিগীনো? হৈ শিংলবা লৈবাক কয়াশিংসি হীদাক পুথোকপা ঙমদ্রজাৎলা? হীরমসিদা ৱাহং হংগদবসু শুকখঙ খঙদবনিনা অঙাউবা তাগদ্রা ইকায়জৈ। নোংমদি শোয়দনা শিগনি খঙই অদুবু হিংনীংবা কৌবনিনা লায়না অমনা শিহনখ্রে হায়বদুসু হায়হন্নীংদে। মরুপ মহেসনা হায়বমক চুম্মী - খনবু খঞ্জিল্লুরবা প্রোব্লেমগী প্রোব্লেম মক্তা। খল্লোই য়াদ্রবা থৌদোক ৱাথোক্লা য়োমশিনখ্রবা ষ্টেট অসিগী ৱাখলসু ইতিক ইপা নত্তনা খল্লিবনি। মসি পূম্নমকসি লৈঙাকপা হৈজদবা পোলিটিসিয়ন ময়ামসিননি হায়বসি মখোয় য়ানীংলমগদ্রা? অশোয়বা অমা মেনখৎপা ঙমদ্রিঙৈদা হেন্না অশোয়বা চাম্মা-চাম্মনা লাকশিনখ্রবা মণিপুরগী মরাইবক্লি। কেন্সরদগী শরুক লিশীং-লিশীং হেন্না শাথীখ্রবা করপশনগী মরা ময়াম্না লাকহৎখ্রবা অচৌ-অশাংশিংগী কোক্তা চাওখৎমিন্নবগী মঙাল মচেৎ অমত্তা য়াওখিদ্রে। অমম্বদা মীৎ উইশিন্না মশাবু মশানা থিনরক্লবা তাঙ্ককতুমক্লি।

অঙাংশিংনা টেবলদুদা অচা-অথক হাপ্পা প্লেট মথং-মথং পুশিল্লকপদা ঐগী মঙ কায়খ্রে। ঐনা ঙকচাননা মহেসতা য়েংলুবদা মরুপ্না নুংশিনা,

“মরুপ ঙসিদি মরুপকী পূক্লিংদু য়াম্না ইমোস্নেল ওইরে ঐ খঙই। লেট দেম। মীওইবা ঐখোয়গী মহৌশানা পীরকপা খুদোলনি, লৌবা তাবনি। অদুবু মরুপ, পেন্থোকপসু তমগদবনি নুংশিননবগীদমক। মীনা মীবু নুংশিবা ঙমদ্রবদি তাইবঙপালসিদা মী ওইনা পোক্লক্তবনা ফগনি...।”

“পূম্নমকপু নুংশি চান্ননা তিন্নজনীংবা মীওইপোকসু লৈরিসিদি মরুপ।”

“মদুনি লাইপোক হায়নরিসি! কৈদৌঙৈ লাক্কনি, কৈদৌঙৈ চৎখিনি খঙদনা থাক ৱাংখ্রবা ফিলোসোফিকেল থোট ময়াম অমা চাইরল্লগা ককঙাওনহল্লল্লিবসিনি। খঙদে মরুপ, লাল্লি হায়বসু ঙমদে, মতুং ইল্লুনবগী পাঙ্গলসু য়াওদ্রে। ফত্তবা লৈরিবসিসু অফবা লৈরম্বগীনি, নৎত্রনে মরুপ?

“মরুপ, অদুক থাক ৱাংবা ফিলোসোফিদুদি ঐনা করম খঙগনি। ঐদি বিজিনেসমেননি, য়াম্না চমজবা সোশল ৱার্করনি। অমনা ঐদি নন মণিপুরীনি”।

“ফরে লোইনা থুপচিনখ্রসি ঐ ৱাহং অমত্তং হংগে নঙ পাউখুম পীরকউ।”

“করম্বা ৱাহং! কন্ট্রোভর্সিএল ওইগদবা ৱাহংদি হংলক্কনু।”

“মালেম্না ঙক্লা ইকায়খুম্নবীরম্বা নুপী ঙাক্তগী ‘ইমা কৈথেল’ ঙসিদি নোংম-নোংমগী মমি শামজিল্লক্লে, মরম অমদি লৈরমগনি?”

“হ্বাই নোট! ইমা কৈথেলশিংদা পোলিটিক্স শান্নবা মশীং য়াম্মনখ্রে মরুপ। ন্যুট্রেল ওইজরম্বা কৈথেলগী ইমা-ইবেলশিংগী মকোক লৈখায়বীখ্রে। হেন্না শাথীরিবনা লৈঙাক্লা কৈথেলগী পোলিসি শেম্বদা মেচ্যুওর ওইদ্রে। ম্যেন প্রোব্লেমনা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংনি। য়াম্না ট্রান্সপরেন্ট ওইবা মওংদা অওনবা পুরক্ত্রবদি কৈথেলসি কৈথেল মাল্লরোই।”

মরুপ মহেসকী পাউখুম - ঐ অপেনবা ওইদে অদুবু মীপূম খুদিংনা খঙনরবা কৈথেলগী ৱাহং - কৈথেলগী পাউখুম মহাক মশক খঙনা মাগী বিজিনেশ চত্থরি। চাবা-থকপা লোইরবা মতুং কায়নরমদাই মীকুপ্তা মরুপ মহেসনা মাগী থম্মোয়দগী থোক্লকপা লমদমসিবু নুংশিজবগী ৱাহৈ খরদুদি থম্মোয়সিদা দং-দং য়ৈখি।

“মরুপ ঐ ইশামক মীতোপনি, অদুবু ঐদি লমদমসিদা পোকপনি, চাউরকপনি, ইহৈ তন্নকপনি। মণিপুর- মহৌশাগী মণিপুর ওইখিদ্রে হায়বসিদি ঐ চাওথোক্লা হায়নীংই। মণিপুরীশিংনা মণিপুর লৈখা তাহনখিবা চহী মশীং য়ামখ্রে। শোয়খিবা, লানখিবা ময়াম মেনখৎনবা মতমসু হৌখ্রে। ডাক্তরনা লায়েংবা ঙল্লরোই হায়বা অনাবগুল্লে। হেন্না থম্মোয় কায়রিবনা মণিপুরগী অঙম-অথৌ মণিপুরীশিং হৌজিক হৌজিকসু অরানবা মশক খঙদবা য়াওরিবসিনি। ইন্দিয়ানা শুদৎতুনা লাক্লবা লমদমসিগী লৈঙাক লুচিংবশিং, সী এস ওশিং, ঙসি-ঙসিসু ইন্দিয়াগী মীনুংশি ঙাইরিবসিগী ৱাহন্থোক ঐখোয় খনফম খঙদে। মণিপুরীশিং ইন্দিয়াগী থৌজাল য়াওদ্রবদি হিংবা ঙল্লরোইদবা জাৎলা? “বৃটিশনা মণিপুর মনীং-মখা তমহল্লমখি হায়নবদাইনে!”

য়ূমদা হন্না-হন্না ৱাখলসি মোংলকই; মতম অমগী য়ু এস প্রসিদেন্ট রুসভেল্টনা দেমোক্রেসিগী মপাঙ্গল হাপ্তুনা দেমোক্রেসিগী নীংতম্বা মখল মরি মহাক্কী মীয়ামগীদমক হাপচিনবীখিবগীদমক য়ু এস মীয়াম্না মহাকপু নীংশিংবা ওইনা কুমজা ১৯৯৭তা ৱাশিংটন দি সীদা মেমোরিএল পার্ক অমা শেমদুনা ঙসি ফাওবদা ‘ফোর ফ্রীদম ফাউন্টেন’না মকা লাম্না মীয়াম্বু অৱা পোথাহল্লি। ঐখোয়গী ঙসিগী ইন্দিয়াগী পি এমদি কদায়! দেমোক্রেসিবু করেম্নদুনা ওট্টোক্রেসিগী য়ূম্ফম থোন্দুনা ইন্দিয়নশিংবু করেম্নরি। ইন্দিয়া মচেৎ-মচেৎ তাখিবদা বি জে পি, কোংগ্রেস লোইনমক মাঙখিনি খন্থবা ঙমদ্রি। মণিপুরগীদি খনবু খন্নীংদ্রে, থন্দবা চফুনা মখোল থোকপা হেল্লি হায়দুনি। মনানা হৈমাং শাবা লমনি। (মথং-মথং)) ●

# মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুল (কৈদৌঙৈ হনগনি ইশাগী ইয়ূমদা)

**– সাপম প্রসান্তা –**

করম্বা মতমদা, করম কান্দা ইশা-ইশাগী ইয়ূমদা, ইশাগী ইরমদমদা হনগদগে? কয়াম কুইনা মখোয়বু রিলিফ কেম্পশিংদা নমশিন্দুনা থম্বীখিগদগে? কয়াম কুইনা ঙাইদুনা লৈখিগদগে? হীংবগী পূন্সিগী আশা পূম্বা কায়রবা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা ইন্টরনেল দিসপ্লেস পর্সনশিংগী ৱাহংনি ‘করম্বা মতমদা ঐখোয়বু নেনা-তানা, তংদু লৈতানা ইশা-ইশাগী য়ূমদা হঞ্জিনজদুনা হান্নগী পূন্সি মহিং কৈদৌঙৈ লাক্কদবা?’ মসিগী পাউখুম গভর্ণর অমদি গভর্ণর ইন কাউন্সিলনা মীয়ামদা চপ চানা পীফম থোকই। মীয়াম্বু কয়াম কুইনা অসুম্না থমখিগদগে? কয়াম কুইনা পি আর শাংদোক্তুনা লৈখিগদগে?

মীয়াম্না খন্নখি, সেন্ট্রেল লিদরশিংনসু হায়খি ১৮শুবা পার্লিয়ামেন্টকী মীখল লোইরগা মণিপুরদা শান্তি হঞ্জিন্নবা হোৎনগনি অমদি হোৎনরক্কনি হায়বসি। মীয়াম্না খন্নখি য়াম্না মপূং ফাবা তুং কোয়বা চৎনগদবা লৈরিবা হিংমিন্নরিবা কাঙলূপ খুদিংমক্তা অপনবা পীরোইদবা মণিপুরগী দাইভর্সিটি, য়ুনিটি অমদি টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটিদা অকায়বা লৈরোইদবা থবক কয়া, হৌজিক মূক্নরিবা মীতৈ/মৈতৈ অমদি কুকিগী লৈরিবা ফীভম অসিদা মীচং-মীখায় লৈতনা চপ মান্নবা মীৎয়েংদা থবক লৌখৎলক্কনি অমদি সূগী গ্রাউন্দ রুলশিং থুগায়রিবা কুকি সূ গ্রুপশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা থবক কয়া লৌখৎলক্কনি অমদি নীংথিনা সূগী গ্রাউন্দ রুলশিং ষ্ট্রিকলি মোনিটরিং তৌদুনা করিগুম্বা থবক খরা লৌখৎলক্লি হায়বসিনি। মসিগী ওন্ন-তৈনবদা মীয়ামগী মেন্দেটপু করিসু থৌওইদনা মণিপুরদা শান্তি পুরক্লবা হায়দুনা কুমজা ২০২৫গী ফেব্রুৱারী ৯দা চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা এন বিরেনবু নম্ফুদা রিজাইন তৌহন্দুনা কুমজা ২০২৫গী ফেব্রুৱারী ১৩দা প্রসিদেন্টস রুল মীয়ামগী ৱাখলগী অপাম্বগী ৱাংমদা থমজিনখি।

মসি তশেংনা মতাং চাব্রা হায়বা মীয়াম্না হংনখি। তশেংনা প্রসিদেন্টস রুল য়াম্না মথৌ তাখিবসি ঈরাং হেক হৌরকপা কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী থমজিল্লম্বা ওইরবদি ঙসি মীওই ২৩০গী মথক্তা পূন্সি মাঙখিবা, য়ূম কয়া অমাঙ-অতা থোকখিবা, মীওই ৬০,০০০ হেনবনা ময়ূম মকৈ লৈতনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবসি য়াম্না হন্থরমগদবদু নাকল অনীমক হাৎনহনবা লোইরগা চহী অনী শুরমদাইদা পি আর থমজিনবীবা অসিনা তাক্লি ইন্দিয়ানা মণিপুরবু করম্না য়েংবগে হায়বসি।

হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী ফীভম অসিদা থেংলবসু থেংনা পি আর থম্লকপসিনা কাঙলূপ অনীমক্তা থাজনদবা লৈঙাক্কী থৌরাংদা অমদি তম্পাক্তা লৈবনা সেন্ট্রেল ফোর্সশিংদা থাজ দবা, চীংদনা ষ্টেট ফোর্সশিংদা থাজদবদু পি আর অসিনা হন্থহন্দুনা শান্তি হঞ্জিলহনবদা অচৌবা মতেং অমদি ওইরক্লি। অদুবু পি আর লৈরবসু সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট, গভর্ণর অমদি গভর্ণর ইন কাউন্সিলনা চীং অমদি তমগী মীৎয়েং হোংদবসিনি য়াম্না লাইবক থীরিবসি। হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী য়াম্না কমপ্লেক্স ওইবা, য়াম্না সেন্সিটিভ ওইবা ঈরাং অসিবু থুনা লোইশিনবা, থুনা ঈং-তপ্পা, তংদু লৈতাবা, অথুবদা শান্তি হঞ্জিলহনবা হায়বসি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী মীৎয়েং অমদি মখোয়গী থৌশিলদা লৈরে। থুনা লোইশিল্লগে হায়বসি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী মীৎয়েং অমদি মখোয়গী থৌশিলদা লৈরে। থুনা লোইশিল্লগে খল্লবা করিসু লৈবা নত্তে। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা পুকচেল শেংদবা অরোনবা পোলিসি কয়া য়াওদুনা চৎপসিনা ঙসি ফাওবা মণিপুরদা তংদু-লৈতাবা, শান্তি হঞ্জিলহনবা ঙমদ্রিবনি। মসিদা মণিপুরদা হান্নদগী লৈজরক্লবা য়েলহৌমীশিংনা তৌগদবসি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমদি মখোয়গী এজেন্সীনা থাক্লিবা শরৌ লাং অসিদা থুদনবা থবক তৌবদা য়াম্না হৈশিংনা অসিগুম্বা কাঙলূপকী ঈরাং অসি অমুক হন্না থোক্তনবা হৌজিক লৈরিবা থেংনরিবা সমস্যাশিং অসি খক্তদা কোক থাদদুনা সেন্ট্রেল লিদরশিং নীংথিনা ৱাখল তাহন্দুনা ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টকী ইস্যু, সূগী, বোর্দর ফেন্সিং, দেমোগ্রাফিক ইম্বেলেন্স ওইরক্লিবা কয়া অসি মমুৎ তানা নৈনহৌবা মথৌ তারি।

মীয়াম্না খন্নরম্বা অমদি তৌহন্নীংবা কয়া অহানবা থা ৬কী পি আর মনুংদা তৌখিব্রা/ হন্দক অমুক থা ৬ অমগা ওগষ্ট ১৩দগী মখা শাংথনবা জুলাই ৩০, ২০২৫গী লোক সভাদা অদুগা ওগষ্ট ৫দনা রাজ্য সভাদা ষ্টেট্যুটোরি রিজোল্যুশন পাস তৌদুনা মখা শাংথগদৌরি। মীয়ামগী পোপ্যুলর লৈঙাক অমগী আশাদি মমি শামখ্রে। অদুবু অথুবদা মুক্নরিবা কাঙলূপ অনীনা অমদি লৈঙাক্লা শান্তি হঞ্জিন্নবা হোৎনরিবা অসিদা অহোংবা কয়া লাক্লবদি পি আর অসি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা লৌথোক্কে খল্লবা পার্লিয়ামেন্টকী অয়াবা য়াওদ্রবসু প্রসিদেন্টনা মতম অমদা হেক্তা লৌথোকপা ঙম্মী। কয়াম কুইনা প্রসিদেন্টস রুল থম্বা য়াবগে? অহানবগী ওইনা থা ৬ মসিদগী অহুম ফাওবা শাংদোকপা য়াই। মসি থা ৬ খুদিংগী লোক সভা অমদি রাজ্য সভা অনীমক্তগী সিম্পল মেজোরিটিদা ভোটিং তৌদুনা অয়াবা লৌবা অমদি মথৌ তারি।

ঐখোয় মণিপুর অসি ইন্দিয়াগী লৈরিবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা প্রসিদেন্টস রুল খ্বাইদগী য়াম্না থম্বা ষ্টেট ওইরি। হন্দক্কী ঈরাংসিদা থম্লকখিবা প্রসিদেন্টস রুল অসি থারগা ১১রক শুরে। ইহান হানবা ওইনা কুমজা ১৯৬৭কী জন্যুৱারী ১২দগীনা মার্চ ১৯ ফাওবা নুমিৎ ৬৬নি থমখি। ● (মখা চথজরকখিগনি)

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১১৯গী ৱাহং**

১) “থাংজম স্বরূপচান্দ সর্দার সঙ্গীতরত্ন” হায়বা ৱারেং অসি মণিপুরগী মপান লমগী অইবা অমনা ইবা ৱারেংগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপা ৱারেংনি। ৱারেং অসিগী অইবসি কনানো অমসুং লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

২) “অরক্ষনীয়া’ হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা হন্দোক্লিবা ট্রান্সলেটর অসিগী মমিং অমসুং মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অসিগী মমিং ইয়ু।

৩) “ঈথক্কী মথংদা ঈপোম” হায়না মিংথোনবা ৱারীমচা অসি ৱারীমচাগী লাইরিক অমদা য়াওবনি। ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবা অসি কনানো?

৪) “থৱান থানা লাকপদা
লৌবুক্কী ঈশৈ শকচরে
ফৌনাগী জগোয় য়েংজরে
ঐসু ৱাখল হোংজরে।”

লিরিকেল পোইম অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবগী মমিং হায়য়ু?

৫) “মণিপুর কৌবী ইমা ও” হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।